# জীবন রক্ষা পদক ২০১৩ পীনবা খনগৎপদা মণিপুরদগী নুপামচা অনি য়াওরে

*নিউ দিল্লি, জনুৱারি* ৬ ঃ ভারত সরকারগী মিনিষ্ট্রি ওফ হোমনা পীবা জীবন রক্ষা পদক এৱার্দ ২০১৩ গী ওইনা পীনবা খনগৎলবা মীওইশিং ভারতকী প্রসিদেন্টনা এপ্রুব তৌখ্রে। জীবন রক্ষা পদক এৱার্দ পীনবা খনগৎপদা মণিপুরদগী নুপামচা অনি য়াওরি।

জীবন রক্ষা পদক অসি কেটেগোরি ৩ দা পীবনি। মীওইবগী পুন্সি কনবগী লৌখিবা থোইদোকপা থৌদোক অমদি থৌরমশিংদা হায়রিবা জীবন রক্ষা পদককী কেটেগোরি অহুমসিদা শিংথানিংঙাই ওইনা থবক পাঙথোকখিবা মীওইশিংদা এৱার্দশিং অসি পীবনি। কেটেগোরি অহুম অদুদি, অহানবদা সর্বোত্তম জীবন রক্ষা পদক, অনিশুবদা উত্তম জীবন রক্ষা পদক অমদি অহুমশুবদা জীবন রক্ষা পদক নি।

এৱার্দসিদা হোম মিনিষ্টরনা সাইন তৌবা সার্টিফিকেট, মেদল অমদি দিমান্দ ড্রাফ্ট য়াওরি। দিমান্দ ড্রাফ্টকী শেলফমশিং অদুদি সর্বোত্তম জীবন রক্ষা পদক্তা লুপা লাক্ষ ১, উত্তম জীবন রক্ষা পদকতা লুপা লিশিং ৬০ অমদি জীবন রক্ষা পদকতা লুপা লিশিং ৪০ নি।

ভারতকী প্রসিদেন্টনা এপ্রুভ তৌখ্রবা জীবন রক্ষা পদক এৱার্দস – ২০১৩ পীনবা খনগৎলবা মীওইশিং অদুদি, সর্বোত্তম জীবন রক্ষা পদকতা মীওই ৩ নি। মখোয়শিং অদুদি, অহানবদা মণিপুরগী মাষ্টর এম খায়িংথৈ, অনিশুবদা ওদিসাগী সৌম্যা রঞ্জন বিশ্বাল অমদি অহুমশুবদা মিজোরামগী মাষ্টর রমদিন থারানি।

উত্তম জীবন রক্ষা পদক এৱার্দ পীনবা মীওই তরুক্ত খনগৎলে। মখোয়শিং অদুদি, কর্নাটকাগী শাশ্বাথ রাজ, উত্তরখন্দগী অর্জুন ওলি, গুজরাতকী মাষ্টর তরং অতুলভাই মিষ্ট্রি, ছটিশঘরগী মাষ্টর মুকেশ নিশাদ, কেরলাগী মাষ্টর বিষ্ণু এম ভি অমদি মেঘলায়াগী মাষ্টর ষ্ট্রিপ্লিজমেন মৈলিয়মনি।

জীবন রক্ষা পদক এৱার্দ পীনবা মীওই ২৭ খনগৎলে। মখোয়শিং অদুদি, হিমাচল প্রদেশতগী সুশিল কুমার, হিমাচল প্রদেশতগী ফয়াজ অহম্মদ নায়ক, কেরলাদগী থোমাস টিটি, মহারাষ্ট্রদগী মুনৱার য়ুসুব খান, মহারাষ্ট্রদগী নিরাজ কেশর থাকুর, মহারাষ্ট্রদগী সুধাকর গোপাল মোনকর, মহারাষ্ট্রদগী মঙ্গেস রাম চন্দ্রা হরম, মহারাষ্ট্রদগী সোমনাথ বালাজি ভার্দে, মহারাষ্ট্রদগী ততিয়া সাহেন অর্জুন বানসোদে, রাজস্থান্দগী মুকেশ চৌধরি, দিল্লিদগী মাষ্টর আসিস, জম্মু এন্দ কাশ্মিরদগী প্রকাশ ভুসন জহা, জম্মু এন্দ কাশ্মিরদগী সুরেশ লান, জম্মু এন্দ কাশ্মিরদগী গুরদেব সিংহ, উত্তরখন্দদগী রাজকুমার, অসামদগী অর্জন সিংহ, হিমাচল প্রদেশতগী সজয় কুমার, মহারাষ্ট্রদগী বিনোদ ৱামন রাউ, উত্তর প্রদেশতগী সতিশকুমার, হিমাচল প্রদেশতগী পাৱন কুমার রানা, ছটিসঘরদগী মাষ্টর উত্তম কুমার সরভা, কেরলাদগী মাষ্টর মহম্মদ মিথিলাজ পিপি অমদি টামিল নাদুদগী মাষ্টর ই সুগনথন, মণিপুরদগী মাষ্টর অরাম্বম সনাজাওবা সিংহ, উত্তর প্রদেশতগী মাষ্টর ভিশ্বেন্দ্র লোহকনা, উত্তর প্রদেশতগী মাষ্টর সতেন্দ্র লোহকনা অমদি উত্তর প্রদেশতগী মাষ্টর ধরমেন্দ্রকুমারনি হায়রি।




অসামদা পাঙথোকখিবা নোর্থ ইষ্ট স্পোর্টস ফেষ্টিভেল ২০১৩ দা টিম চেম্পিয়ন ওইরকখিবা মণিপুরগী জর্নেলিষ্ট টিম ঙরাং প্রেস ক্লব ফাউন্দেসন ডে থৌরমদা ওকপগা লোয়ননা অপুনবা ফোটো সেসন্দা শরুক য়াখিবশিং




বুংলুং ভিলেজদা পাঙথোকপা বুংলুং য়ুঠ ডে থৌরমদা মিনিষ্টর নাসির অমসুং এমএলএ য়াংথোং হাওকিপকা লোয়ননা শরুক য়াখিবশিং

# “করিগুম্বা মতমদা সার্টিফিকেটশিং খোমজিল্লগা মৈ থাদোকখ্রসিরা খল্লকই”

থোইবা তখেলচংবম

*ইম্ফাল, জানুৱারী* ৬ ঃ হকচাংগী ফিভমদা মীমান্নবা ঙমহৌদ্রবসু অৱাংবা থাক্তা ইংলিস অমদি লাইব্রেরী ইনফোর্মেসন সাইন্সতা এম এ লোইরদুনা মহৈ মশিংগী মঙাল ফংলবী ইবেম্মানা সরকারগী মায়কৈদগী নৎত্রগা হিরম অমত্তদা মহাক্কী সার্টিফিকেটশিংগী কান্নবা ফংলক্তবনা মরম ওইদুনা করিগুম্বা মতমদা মহাক্না তম্লুরিবা মহৈ–মশিংগী সার্টিফিকেট পুম্নমক খোমজিল্লগা মৈ থাদোকখ্রসিরা খল্লকই হায়না হায়ফম খঙদ্রবা পুন্সি মহিংগী পাউদম্লক্লি।

কোন্সম ইবেম্মা দেবী (৪০) অপোকপা কে গন্ধার সিংহ লৈফম্না ৱাঙ্খেই য়োংলান লৈরক্তা লৈবনি। মহাক মচিল মনাও নুপা অমা অমসুং নুপী মঙাগী মনুংদা অনিশুবনি।

মচিল মনাওশিংগী মরক্তা মহাক খক্তা হকচাংগী ফিভম চাহৌদবনি। মহাক্না পিক্লিঙৈ চহি ৪ রোম ফারকপা মতমদা হকচাং শাগৎতুনা য়াম্না কন্না নাখি। মহাক্কী শাগৎপগী অনাবা অদু মতম অদুদা অমাইবা–অমাইবীনা লায়েংখি। অদুমকপু অনাবা ফখ্রবসু হকচাংগী ফিভমদি চাহৌখিদবনি হায়না ইবেম্মানা মখা তানা ফোঙদোকখি।

ইবেম্মা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদগী ইং ২০০৩ দা এমএ ইংলিসতা পাস তৌখি। তুংদা ইং ২০১২দা এমএ লাইব্রেরী এন্দ ইনফোর্মেসন সাইন্স পাস তৌখি। মসিগী মথক্তা মোংশাংগেদা লৈবা মেন্টেল রিটার্দেসন হোমদা চহি অনিগী কোর্স ওইবা মেন্টেল রিটার্দেসনগী ট্রেনিংসু ইং ২০০৯ দা পাস তৌখি।

মহাক্না রামসার। এসএসএ গী মেন্টেল রিটার্দেসনগী স্পেসিয়েল টিচর কৌরকখিবা মতমদা এপ্লাই তৌখি। অদুমকপু মহাক্কী সার্টিফিকেট অদুগী কান্নবা ফংবা ঙমখিদে। মণিপুর সমাজ অসিদা করপসনগী লমদা খোঙদাবা ঙমদবা মরম্না মখা তানা সরকারগী থবক থিনিংবগী ৱাখল লাপ্না চৎখি হায়না ফোঙদোক্লক্লি।

হেন্দিকেপ পার্সন অমা ওইনা মণিপুর সরকারগী সোসিয়েল ৱেলফেয়র দিপার্টমেন্টনা পীবা হেন্দিকেপ সার্টিফিকেট অমসুং পাস বুক ইং ২০০১ গী আগষ্ট ১০দা ফংখি। সোসিয়েল ৱেলফেয়র দিপার্টমেন্টতগী হেন্দিকেপশিংদা পীবা স্কিমশিংগী মনুংদা অন–এমপ্লোইমেন্ট এল্লাওয়েন্স ইং ২০০৭ গী এপ্রিল ১৯ দগী থা অমদা শুপ্নতগী লুপা ২০০ খক ফংলি। মহাক্না ফংলিবা অন–এমপ্লোইমেন্ট এল্লওয়েন্স স্কিম অসি খক নত্তনা সোসিয়েল ৱেলফেয়র দিপার্টমেন্ট তগী করিগুম্বা স্কিম অমতগী কান্নবা ফংদ্রি। দিপার্টমেন্ট অসিগী মায়কৈদগীসু মতম–মতমগী ওইনা হেন্দিকেপ পার্সনশিংদা পীবা য়াবা স্কিমশিংগী মরমদা খঙহনবীবা লৈতে। ইং ২০০৭ তগী ফংলিবা অন–এমপ্লোইমেন্ট এল্লওয়েন্সকী শেনফম অসিসু হেঙ্গৎপীবা লৈতে।

মসিগা লোয়নন লোকেল ওথোরিটিশিংনা হেন্দিকেপ পার্সনশিংদা মতম–মতমগী ওইবা ফেসিলিটিশিংগী মরমদা খঙহল্লকপসু নোংমতা লৈতে। অদুমকপু পাস বুক্তদি লোকেল নৎত্রগা ষ্টেট ওথোরিটিনা মতম–মতমগী পীবা কান্নবশিং পাস বুক অসি গী মতেংনা কান্নবা ফংবা য়াগনি হায়না ইরি।

নুপীগী পুন্সি ওইবা অমদি মসিগী মথক্তা হকচাংগী ফিভম মীমান্নবা ঙমদবা মরম্না সোসিয়েল ষ্টিগমাদগী অকিবা পোক্তুনা ঙসিদি মনম্মানা ময়ুমদা লৈ চারা শেম্লগা য়োনবগী থবক অসিদা খোঙ থাংজিল্লকখ্রে। ইবেম্মা অপোকপা মপানা লাপ্না লৈখিবা মরম্না মবুং অমদি মনম্মনা ইমুংগী ভার মখাদা পুন্সি লেপ্লি।

মশাগী চহি য়ামশিল্লকপগা লোয়ননা য়ুম্বানবগী লম্বীদগী নাথৈরগা মখা তাবা পুন্সিদা মনম্মনা তৌরিবা লৈ চারা শেম্বা অমদি লৈ–পাম্বী য়োনবগী থবক অসিদা মতেং পাংশিন্দুনা শেম্ছোক লৈনবা হোৎনবা পাম্লে। মরম অসিনা মণিপুর সরকারগী মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিং অমদি মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনা সমাজ অসিদা হকচাংগী ফিভম চাহৌদ্রবী অমগী পুন্সিগী আর্থ খঙহন্নিংই হায়না ফোঙদোক্লক্লি।

# অসাম নাগালেন্দ বোর্দরদা সেন্টরনা অহেনবা পেরামিলিটরি ক্রুপশিং থারবা য়ারি

*নিউ দিল্লি, জনুৱারি* ৬ ঃ অসামগা কার্বি আংলোং দিষ্ট্রিক্টতগী কার্বি ট্রাইবেলশিং অমসুং অসাম–নাগালেন্দ বোর্দরদা লৈবা নাগাশিংগী মরক্তা মমাং চয়োলদা খৎন–চৈনবগী থৌদোক কার্বি মীওই ৯ হাৎখিবা থৌদোক্তগী মফমদুদা লৈরিবা কম্যুনেল টেন্সন অসি ৱাংখৎলকপা য়াই হায়না লৌবদগী সেন্টরনা অহেনবা পেরা মিলিটরি ক্রুপশিং ইরাং থোক্লিবা মফমশিং অদুদা থাজিন্নবা থৌরাং লোইখ্রে হায়রি।

কার্বি–আংলোং এরিয়াদা নাগালেন্দগা তাইনবা মফমশিংদা মাংজৌননা সেন্টরগী মায়কৈদগী সেন্ট্রেল ফোর্স পার্সোনেল ১৫০০ হান্না থাজিনখ্রবনি। অদুম ওইনমক মখা তানা কার্বিশিংগী মায়কৈদগী লমন খুল্লকপা য়াবগী ওইথোকপা কয়া অমা লৈবদগী ইরাং থোক্লকপা তারগদি শান্তি থম্নবা হোৎনবদা অকায়বা কয়া লৈরক্কনি হায়না লৌদুনা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরনা অহেনবা পেরা মিলিটরিশিং থাজিন্নবা থৌরাং অদু লৌরকপনি হায়রি।

মমাংদা হান্না থিগৎখিবা অদুগী রিপোর্টতা হন্দক কর্বি ৯ হাৎখিবা থৌদোক অদুদা নাগা লালহৌলুপশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী চাউবা লুপ অমগী খুৎ য়াওই হায়বা খঙবা ঙম্লে। মখোয়শিং অদু তোঙান–তোঙানবা মফমশিংদগী ফাদুনা পুরক্লবা মতুং মমিৎ খুমজিল্লগা পরেং শানা লেপহল্লবা মতুংদা য়াম্না নকপা রেঙ্গ্মদগী দিমাপুরদা নাগা ইন্সরজেন্ট গ্রুপ অদুগী কাদরশিং কাপতুনা হাৎখিবনি হায়না লৌনরি।

অসাম গভর্নমেন্টনা থৌদোক অদুগা লোয়ননা মীহাৎশিং অদুগী মতাংদা সি বি আই বু থিগৎহন্নবা সেন্টরদা ফোঙদোকপা লৈখ্রবসু পাউগী লিখুনশিংনদি সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টনা সিবিআইবু থিগৎহনবা হায়বসি খন্নগনি হায়না ফোঙদোক্লবসু মদুগী মরমদি থৌদোক অদুগা থিগৎনবা মতমদা নাগালেন্দ সরকারগী এরিয়া মনুংদা থোকখিবা থৌদোক ওইবনা মখোয়দুগী অয়াবা লৌবগী মথৌ তাই হায়না ফোঙদোকপা লৈখিবনি।

মরকসিদা নাগালেন্দ সরকারনা মখোয়গী মায়কৈদগীদি মীহাৎশিং অদু থিংজিন্নবা স্পেসিয়েল ইনভেষ্টিগেটিং টিম অমা হায়বদি এনআইটি অমা মাংজৌননা শেমদুনা থিগৎনবা থৌরাং লৈখ্রে হায়রি।

সেন্টরগী থংবা পাউগী লিখুন্দা কার্বি আংলোংগী এরিয়াশিংদা নাগালেন্দগা তাইনবা মফমশিংদদি হৌজিক টেন্সন ৱাংনা লৈরি। মসিদগী থংনরিবা খুঙ্গংশিং অদুদগী মীওই লিশিং ২ রোমদি লাঞ্জেন্নখ্রে অমসুং মখোয় পুম্বা শাফগদবা রিলিফ কেম্পশিংদা চংজফম লৌদুনা লৈরি হায়রি। কার্বিশিং হাৎখিবগী থৌদাক অদুগী মতুংদা অশিবা হকচাংশিং অদু পুমথরবা হকচাং ওইনা দিমাপুরদা ফৎখিবনি।

মসিগী মখা তারকপদা নাগা রেংমা ট্রাইবকী মীওই মরি অমসু হাৎখ্রবনি। মখোয়শিং অদুগী মনুংদা নুপী অহুম য়াওখি অমসুং হায়রিবা থৌদোক অদু কার্বি পিপলস লিবরেসন টাইগর হায়না মিংথোনবা খুৎলায় পায়বা লালহৌলুপ অমনা চখিখিবনি হায়না ফোঙদোকখি। কার্বি পিপল লিবরেসন টাইগর হায়রিবা অসিনা চখিখিবা এটেক অসি নাগা রেংমা হিলসতা মখোয়গী কাদর অনি হাৎখিবদগীনি হায়রি।

# হাংতুরজো কেন্দ্রগী বাই ইলেক্সন দরকার ওইরে

*ন্যুমাই ন্যুজ নেট ৱার্ক*

*আইজোল, জনুৱারি* ৬ ঃ মীজোরাম চিফ মিনিষ্টর লালথনহাওলানা হাংতুরজো কন্সটিট্যুয়েন্সিগী সিট থাদোকখিবনা কন্সটিট্যুয়েন্সি অসিগী বাই ইলেক্সন দরকার ওইরক্লে।

হন্দক্তা পাঙথোকখিবা মীজোরাম এসেম্ব্লি ইলেক্সন্দা লালথনহাওলানা হাংতুরজো অমসুং সেরছিপ কন্সটিট্যুয়েন্সি অনিমক্তা মায় পাকখিবনি। পাউ অসিনা হায়রিবদি মমাং থা দিসেম্বর তাং ১৯ দা চিফ মিনিষ্টর লালথনহাওলানা এসেম্ব্লি স্পিকর হিফাইদা অইবা চেরোল অমা পীদুনা হাংতুরজো সিট থাদোক্লে হায়না খঙহনখি। নুমিৎ অদুমক্তদা এসেম্ব্লি সেক্রেটেরিয়েৎনসু নোটিফিকেসন অমা থোকখিবগা লোয়ননা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াদসু খঙহনখ্রে হায়রি।

অমরোমদা পালক কন্সটিট্যুয়েন্সিদগী মায় পাকখিবা স্পিকর হিফাইনা মরা ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল ওথোরিটি অমসুং মীজোরাম সরকারদা কাউন্সিল অসিগী চিয়ারমেন ফমদগী রিজাইন তৌরে হায়নসু খঙহনখ্রে। মহাক্না এম এল এ ওইনা মায় পাক্লকখিবগা লোয়ননা এ দি সিগী চিয়ারমেন ফম অদু থাদোকখিবনি। অতোপ্পা অমনা মিনিষ্টর সি ঙুনলেনচুঙাদি লাই ওতোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলদগী ফম থাদোকপগী চেরোল পীশিনবা লৈত্রি।

চিফ মিনিষ্টর লালথনহাওলানা ফম থাদোকখিবদগী হাংহৌরবা হাংতুরজো কন্সটিট্যুয়েন্সিগী বাই ইলেক্সন চহি অসিদা পাঙথোক্কদবা লোক সভা ইলেক্সনগা পুন্না পাঙথোক্লবা য়াই। অদুগা দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলগী দরকার ওইবা বাই ইলেক্সনদি ষ্টেট ইলেক্সন কম্মিসন্না লেপকনি হায়রি। অদুগা আইজোল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ৱার্দ ৩ গী বাই ইলেক্সনসু পাঙথোক্লবা য়ারি।

[illegible]

## জপানগী লিঙ্গ চাওখৎনবা মেছিন মণিপুরদা থুংলরে



**নুপাগী সেক্সকী সমস্যা (মেল সেক্সচুএল প্রোব্লেম)ঃ**

নুপাগী ফম্বী থুনা থোক্কনবা, ফম্বী পাবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা, নুমীদাংদা ফম্বী চৎপা, খোঙ হান্বা অমসুং মপান থোকপদা ফম্বী লোয়নরকপা, ফীনুংগী হকচাংদা হাক্কচবা, ফুরি থুংবা, নাই চাবা, অসিনচিংবশিং অসি অয়ুরবেদিক্কী হীদাকশিংনা অথুবা মতমদা ফহনবা ঙম্লে।

**নুপীগী সেক্সকী সমস্যা (ফিমেল সেক্সচুএল প্রোব্লেম)ঃ**

নুপীগী ফিভৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদ্রবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা হকচাং মনুংদা হাক্কচবা, ফুরি থুংবা, নাই চাবা অমদি অতৈ লায়নাশিং অসি অথুবা মতমদা ফাহনবা ঙম্লে।

**দাইবেটিসকী লায়নাদগী লাপথোকপা ঙম্লেঃ**

দাইবেটিসকী লৈনা লৈরবদি ৱেট চাং হন্থরক্কনি অদুগা সেক্স মপাঙ্গলসু শোন্থরক্কনি অদুনা অয়ুরবেদিক্কী হীদাকশিং অসি শিজিন্নরবদি মতম খরগী মতুংদা দাইবেটিক্সকী চাংসু নোংমা নোংমাগী হন্থরক্কনি অদুগা সেক্সকী মপাঙ্গলশু নোংমা নোংমাগী হেনগৎলক্কনি অদুনা অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

**লিঙ্গ চাওখৎনবা মেছিনঃ**

যন্ত্র অসিগী মতেংনা অদোমগী প্রাইভেট পার্ট অদু শাংবা অমসুং চাওখৎহনবগা লোয়ননা হকতিন্নবগী মতম শাংদোকহল্লি। মমল লুপা ৪৫০ খক্তনি।

**ৱেষ্টকী প্রোব্লেমঃ**




অয়ুরবেদিক্কী মেদিসিননা অদোমগী অপিকপা অমসুং চোন্থবা মখলগী ৱেষ্টপু হেক য়েংবদা ফজবা, পুক্কিং চীংশিন্ননিংঙাই ওইবা অমসুং মপুং মরৈ ফানা থম্নবগীদমক ঙসিমক লাত্তুনা ৱেষ্ট ওইলমেঃট অমদি হীদাক শিজিন্নবীয়ু।

**নুংশংঃ**

ই তাবা,চাফৎপা, পোন্বা, হাক্কচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেসন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফা ফহনবা ঙম্লে। নুমিৎ ৭নিগী মনুংদা কান্নবা খঙবা ঙমগনি।

**অঙৌবা পকপাঃ**





অঙৌবা পকপশিংবু থুনা ফহনবা ঙম্বা ইঞ্জেক্সন থুংলরে। হৌজিক্তিং অঙৌবা পকপশিংনা থোইনা ৱারুবগী দরকার ওইদ্রে। ইঞ্জেক্সন অসি শীজিন্নবনা পুং ২৪গী মনুংদা অঙৌবা পক্লিবা মফম অদুগী মচু হোংলক্কনি। লোয়ননা পুংফা ফহনবা ঙম্মী। লোয়ননা মাহিং, স্কিন অজমা, উরিং, মাই চাফৎপা মখল খুদিংগী স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

**শমগী প্রোব্লেম ঃ**

শম কেনবা, কোক তাঙবা, পোক হৌবা, শমজাবী অসিনচিংবা লায়নাশিংদা কোক্তা তৈনবা থাও অদুগী অতোন্না হীদাক খরগা শিজিন্নরবদি শম কেনবা হন্থরক্কনি অনৌবা শম হৌগৎলক্কনি অমসুং পোক্কী মচু ওল্লক্কনি।

**গ্যাষ্ট্রিক্কী প্রোব্লেম (পুক্কী লায়না)ঃ**

পুক নুংশিৎ কাবা, চাবা থকপা তুমদবা, অশিনবা কাখৎপা, চানিং থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, পুক থীনবা, খোং হান্বা নুংঙাইতবা অসিনচিংবশিং অসি অয়ুরবেদিক্কী হীদাকশিং অসিনা লায়না ফহনবা ঙম্লে।

**নাকোংগী প্রোব্লেম (না তাদবা)ঃ**

না তাবা ৱাৎপা, নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা হান্না করিশু তৌরমদবা, নাকোংদা তাবগী চাং ৱাৎলকপা অমদি অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। অমুক্তং লাক্লগা তানবিয়ু।

**তাং চিকপা অমসুং খ্বাং নাবাঃ**

তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোং খুৎ শিথবা, মশল নাবা খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা অজমা, লোক খুবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবিরুগনু য়াম্না থুনা উনবিদুনা কন্টেক্ট তৌবীয়ু।

**য়ু করম্না থাদোক্কনিঃ**

অফবা মখলগী অয়ুরবেদিক্কী হীদাক শিজিন্নদুনা য়ুদগী লাপথোকহনবা ঙম্মী। নুংঙাইবা পুন্সি মরেলনা ওইহনবা ঙম্মী। থুনমক তান্নবিয়ু।

DUTTA CLINIC ( Regd.No. 55503)
AYURVEDIC & UNAINI MEDICINE
Khoyathong Christian Literature House
Building Thangal Bazar Roard,
Khoyathong, Imphal

**লমাই ১গী মখা**

## স্পিসিয়েল সম্মরি ইলেক্টোরেল রোল ফোঙখ্রে মমাংগী চহিগা য়েংনবদা...

রোলশিং অসি ইলেক্টোরেল রেজিষ্ট্রেসন ওফিসারশিংদা থাখ্রে। লমদম অসিদা লৈরিবা রিকগনাইজ পোলিটিকেল পার্টিশিংদা পীননবা শেম শারে। অসিগুম্বা ইলেক্টোরেল রোলশিং অসি সি ই ওগী ওফিসতগী লাক্লগা লৌরবা য়াগনি।

মীয়াম্না ইলেক্টোরেল রোল অসি সি ই ওগী ৱেবসাইট www.ceomanipur.nic.in দা য়েংবগী খুদোংচাবা ফংহন্নবা শেম শারে। মসিদা য়েংবীরগা ক্লেম অমসুং ওবজেক্সনশিং তৌবা য়াননবা থৌরাং তৌরে। চহি অসিগী ওইনা নোমিনেসন ফাইল তৌবা মতম ফাওবদা ইলেক্টোরেল রোলদা য়াওবা য়ারবা মীওইশীং য়াওহন্নবা হোৎনগনি। কনাগুম্বশিংনা ক্লেম অমসুং ওবজেক্সন তৌবা পাম্বশিংনা মরি লৈনবা ই আর ওশিংগী খুত্থাংদা ক্লেইম তৌবা য়াগনি।

সি ই ওনা মখা তানা হায়, পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভাগী মীখল অসিদা ই ভি এমশিং শিজিন্নবা থৌরাং তৌরে। হৌজিক ষ্টেট অসিগী লৈরিবা পোল্লিং ষ্টেসন ২৬৬২ অসিগী ওইনা শিজিন্নবা কোন্নগদবা ষ্টোক লৈবগা লোয়ননা চাদ ১৫ রিজার্ব তৌদুনা থম্লে ।

হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভাগী মীখল অসিদা পোল্লিং ষ্টেসন ১৩ মমাংদা পাঙথোকখিবা মীখলশিংদগী হেনগৎলি। মসি মপুং ওইনা সহরদা পোল্লিং ষ্টেসন অমদা ইলেক্টর ১২০০ অমসুং খুঙ্গংদা ইলেক্টর ১৪০০ দগী হেন্না হেনবা য়াদবা ৱাফম লৈবনা নৌনা হাপচিল্লকপনি।

ষ্টেট অসিদা লৈরিবা ভোটরশিংদা প্লাষ্টিক ভোটর কার্দশিং চৎলিবা থা অসিগী ২৫ ফাওবগী মনুংদা ফংহন্নবা থৌরাং লৈরে। হান্না ভোটর কার্দ পায়খ্রবশিংসু প্লাষ্টিক কার্দ অসি লৌবা পায়বা পাম্লবদি মসিগী পীফম থোকপা শেনফম অদু পীরগা শাবা য়ারগনি।

পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিদদি শিজিন্নগদৌরিবা ই ভি এমশিং অসিদা কনাগুম্বনা অপাম্বা মীরেপ য়াওদ্রবদি মদু খন্নবগী ওপসন য়াওরগনি। ঙসি ফোঙলিবা ইলেক্টোরেল রোল অসিদা ইলেক্টরশিংগী মপুং ফাবা এদ্রেশ হাপ্লে হায়খি।

## সরকারগী অশোয়বশিং চুমথোক্নবা কন্সত্রক্টিব সজেসনশিং পীরকপদা শাওনিঙাই ...

তৌবদা নত্তনা মসিনা চাওখৎ থৌরাং অমসুং সমাজদা থেংনরিবা প্রোব্লেম কয়া অসি ৱারোইশিন পুরক্কবা হোৎনবদা চাওরবা থৌদাং লৌরি।

অদুম ওইনমক মখোয়গী ৱার্কিং কন্দিসন অমসুং তলবকী শেনফমনা হিংনবা লম্বী থিবদা প্রোব্লেম কয়া মায়োক্নরি।

সরকারনা পাউমীশিংগীদমক পেন্সন য়াওনা মখল মখা কয়াগী স্কিমশিং পায়খৎপীবা দরকার ওই। অসামদা পাউমীশিংগী ওইনা পেন্সনগী শেনফম অসি থাদা লুপা লিশিং ৫ অমসুং ত্রিপুরাদা থাদা লুপা লিশিং ৬ পীখ্রে। মসিগা লোয়ননা সরকারনা ইন্সুরেন্স স্কিমশিং পায়খৎপা লৈখ্রে ।

পাউমীশিং অসি তোঙান তোঙানবা মীওই কয়াগী তার্গেট ওইরকপা য়াই। পাউমীশিং অসিনা লমদম অসিগী মীয়ামগী সেবা তৌরিবনি। মখোয়গীদমক্তসু মীয়াম্না সেবা তৌবিবা দরকার ওই হায়খি।

ইন্দিয়ান জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়নগী প্রসিডেন্ট এস এন সিনহানা হায়, য়ুনিয়ন অসিনা মনিং তম্বা প্রেস অমদা থাজবা থম্লি। মণিপুরগী জর্নেলিষ্টশিং অসি তোঙান তোঙানবা প্রেসর কয়াগী মরক্তা থবক তৌরি হায়বসি আই জে য়ুনা খঙই।

পাউমীশিং অসিগী পুন্সি হিংবা য়ানবগীদমক পেন্সন স্কিমশিং অমসুং ইন্সুরেন্স স্কিমশিং অসি সরকারনা পুবীবা দরকার ওই। পাউমীশিংগীদমক মতমগা চুনবা ৱেজ বোর্ডশিং চৎনহনবা দরকার ওই হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা ইং ২০১৩ গী নবেম্বর ২৪ দগী ৩০ ফাওবা গুৱাহাটিদা পাঙথোকখিবা ৫ শুবা নোর্ঠ ইষ্ট জর্নেলিষ্ট স্পোর্টস ফেষ্টিভেলদা ওভর ওল টিম চেম্পীয়ন ফংলকখ্রবা অমজুগী শান্নরোইশিংবুসু অচম্বা খুদোলপোৎ পীদুনা তরাম্না ওকখি।

থৌরম অদুদা সোসিয়েল ৱেলফেয়ার মিনিষ্টর কুমারি এ কে মিরাবাই, ৱার্ক্স মিনিষ্টর ডাঃ কে ঐচ রতনকুমার, পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটেরি আই পি আর কে মেঘচন্দ্রসু ইকায় খুম্নরবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।

**লমাই ১গী মখা**

## মণিপুরদদি ৱাথোকশিংনা চয়োম শারবসু পাড়া ফাদ্রি

এস আই পোষ্ট অমদা লুপা লাখ ২০ পুথোকপা ঙম্বা খর খক্না মদুদা ইনভোল্ব তৌবগী ৱা খক্তনি। লমদমসিদা শেমগৎ–শাগৎপগী থবক্তি মতম মতমগী সরকারশিংদুনা খরা খজিক তৌদুনা অদুমক লাকই। অদুবু হিংবগী লম্বী পীবা শেমগৎ–শাগৎপদি সরকার অমত্তনা তৌদনা লাক্লি। হায়নিংলিবদি, ন্যু দিল্লিদা তিলহৌ ফংদ্রবা নৎত্রগা মমল ৱাংখৎলক্লবা লৈরিবা সরকারদু প্রজানা ইন্থুই মথংদা হল্লক্তে। ন্যু দিল্লিগী প্রজাশিংদি রাজনীতি দলশিংদগী অমদি রাজনীতি তৌবশিংদগী মনিং তম্মী। অদুবু মণিপুর প্রজাদি মখোয়দগী মনিং তমজবা ঙমদে। মণিপুর প্রজাগী ৱাখল খূৎখন অমদি “অওনবা” হৈনদবা, কিজবগী মচৎ অদু কংগ্রেস হায় কম্মান্দনা নিংথিনা খংবনা মীখলগীদমক্তদি মখোয়না মণিপুরবু হকচিন্না লৌরম্লোই, মখোয়গী লোয়েলিষ্টনি হায়নদুম লৌরমগনি।

## MARKSHEET LOST

I have lost my 6th Trimester Marksheet of my PGDM (2010-12) course, issued by Shri Sharada Institute of Indian Management- Research, New Delhi on 31st Dec. 2013 on my way in between Keishampat and Hiyangthang.

Finders are requested kindly to hand over the same to the undersigned.

Sd/-
**Dinakumar Longjam**
Keishampat Jailor Leirak
Ph.No. 9089375079.

SL/C/7